# সর্জুবালা অহুন্নকশুবা ওইনা মায় পাকপা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**

ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্নদা লৈবা মালবর্ন হোল টাউনদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল মিদ্দল ইষ্ট ক্রাউন প্রো বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌখিবা মণিপুরগী প্রো বোক্সর শমজেৎশাবম সর্জুবালানা মহাক্কী মায়োক্লরিবা লম্বা থাইলেন্দগী ক্লিনরাত্রিবু মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়নশিপ অসিগী মপু ওইবা ঙমখ্রে। হ্ন দক্কী অসি থারগা সর্জুবালানা প্রোফেসনেল ইন্টরনেসনল ফাইটতা শরুক য়াখিবসি অহুম্লক শুরে। ফাইট অহুম্মক মহাক্লা মায় পাক্তুনা লাক্লি।



ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা ফ্লাই ৱেথ (কেজি ৫১) কেটগোরিদা ক্লিনরাত্রি অমসুং সর্জুবালানা থিন্নখিবা বাউট অদুদা সর্জুবালানা মহাক্কী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোক্তুনা ক্লিনরাত্রিবু মায়থীবা পীখিবনি।

অমরোমদা, সর্জুবালানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না চেম্পিয়নশিপ অসিদা মহাক্লা মায় পাক্লে হায়দুনসু মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা নুংঙাইফম খঙদে। মণিপুরগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া লৈখিদ্রে। মহাক্কী ওইনসু মাংজিল থানা মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজ ংদা শরুক য়াবা ঙমদ্রি। মদুনা মরম ওইরগা হন্দক মহাক্লা ফংলিবা টাইটল অসি ইরমদমগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা দেদিকেট তৌজরে হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুবীরক্নবা লৈঙাক্লা মতম চানা হোৎনবীয়ু হায়নসু সর্জুবালানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, সর্জুবালা হৌজিক-হৌজিক মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা ইন্সপেক্টর ওইনা লৈরি। মহাক আইবা ৱর্ল্ড সিলভর মেদলিষ্ট অমা ওইবদা নৎতনা আইবা ৱর্ল্ড য়ুঠ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলিষ্ট অমসুনি।

# অহান য়ুনাইটেদ অমসুং অংখেল চায়াং মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ (ঐচ এন এস):**

চান্দেল খুল্লেন লম্পাক্তা হৌজিক-হৌজিক চত্থরিবা অহানবা ৱিন্টর কপ ২০২৩গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা অহান য়ুনাইটেদনা টি মিনৌ অদুগা অংখেল চায়াংনা এস এ এস এবু মায়থীবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেটচ ওইনা টি মিনৌ অমসুং অহান য়ুনাইটেদকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নখিবদগী অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা টি মিনৌগী শান্নরোয়শিংনা খঙহৌদনা মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা চত্থরকখিবা এটেক অমা টিম অদুগী অংকেশনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৬০ অমসুং ৬৩ শুবা মিনটতা অহান য়ুনাইটেদকী ষ্টেফেননা থংন-থংননা পাঞ্জল ২ চনখি। টি মিনৌগী মায়কৈদগীসু য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মেটচ অদুগী ৮০ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্লা পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈখিবদগী রেফরিনা পেনাল্টি কাওননবা খঙহনখি। পেনাল্টি কাওনখিবা অদুদা অহান য়ুনাইটেদনা মখোয়গী শোট মঙামক পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। অদুবু টি মিনৌগী ওইনদি শোট মঙাগী মনুংদা অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহৌদবদগী মেটচ অদু অহান য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ৭-৬তা থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেটচ ওইনা অংখেল চায়াং অমসুং এস এ এস এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অংখেল চায়াংনা এস এ এস এবু লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ১৪ অমসুং ২৪ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৭ অংপোল অমসুং জর্সি নম্বর ২৩ অব্রাহমনা পাঞ্জল অমমম্ চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এস এ এস এগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। মরম অদুনা অংখেল চায়াংনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবদসু অংখেল চায়াংগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী মখা তানা পাঞ্জলশিং চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৪৭ অমসুং ৬০ শুবা মিনটতা সঞ্জয় অমসুং অংপোলনা পাঞ্জল অমমম্ চনখিবনি। অদুবু এস এ এস এগী ওইনদি মেটচ লোইবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু অংখেল চায়াংনা পাঞ্জল ৪-০দা য়াম্না লাকচনা থোইখিবনি।




HL-B/8291/14/12-15/01



HL-B/8409/16

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 992**

**GM Daniil Dubov (2714) - GM Levon Aronian (2782)**
**chess.com Speed 2021 chess.com INT, 2021.11.11**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.e3 Nf6 | 3.c4 e6 | 4.Nc3 b6 |
| 5.b3 Bb7 | 6.Bb2 Nbd7 | 7.cxd5 exd5 | 8.Be2 a6 |
| 9.O-O Bd6 | 10.Re1 h5 | 11.Bf1 Qe7 | 12.Qc2 O-O-O |
| 13.a4 Ng4 | 14.h3 Nde5 | 15.Nxe5 Bxe5 | 16.f4 Bf6 |
| 17.Ne2 d4 | 18.Nxd4 Bxd4 | 19.Bxd4 Qh4 | 20.Re2 Qg3 |
| 21.hxg4 hxg4 | 22.Rc1 Rd7 | 23.Qf5 Qh4 | 24.Bxb6... |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 991 Solution :**

**40. ...Rh5+**
Your moves:40...g5+
**41. gxh5** Blocking square h5. **g5+ 42.fxg5 hxg5#** David and Goliath mate
**0-1**



HL-B/8449/16

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com